# লায়রনা হৌরক্লবসু হোৎনববু লেপত্রবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি : ইবোমচা



ইম্ফাল,ওক্টোবর২৮(ঐচএনএস): লায়রনা হৌরক্লবসু হোৎনববু লেপত্রবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না কংলৈ ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কেদো) গী শিন্নী অমসু ওইরিবা লোয়নন শান্নবগী লম্‌দা হন্দক মোঙ্গোলিয়াগী উলানবাটোরদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন বেঞ্চপ্রেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা সব-জুনিয়রগী কেজি ৫৩দা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা মাইবম ইবোমচাগা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনরুবদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মোঙ্গোলিয়াদা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ানবা খল্লক্লে হেক তাবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওখি। অদুবু চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াবদা লুপা ১.৮ লাক্ষ রোম চংগনি হায়রকপদা ঐহাক নুংঙাইফম খঙখিদে। লোয়ননা ইমুং মনুংগী লৈত-লায়রগী খল্লগা ঐহাক খল্লক্লে হায়বা ফাওবা হায়খিদে। কোন্না ইয়াম্বদা হায়রবা মতুং খুলগী ক্লবশিংগা তানরগা লম্বী-সরক্তা থোক্তুনা দোনেসন তৌখি। লমলাই এ সীগী এম এল এনা লুপা লিশীং ২০, সোসল ৱার্কর ইবোমচানা লুপা লিশীং ২০,৫০০, কৈথেল ফম্বী ইমা ইবেলশিংদগী লুপা লিশীং ৪৭, কেদো ওফিসনা লুপা লিশীং ৫, তেরাদগী মেঘচন্দ্রনা লুপা লিশীং ১০ পীরক্তুনা ময়ামগী মতেংদগী চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াবা ঙমজখিবনি।

ইবোমচা লমলাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক হৈরোক মমাঙ লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা মাইবম চাওবা অমদি মাইবম রানি লৈমগী মচানি। মহাক্না চহী মঙামুক শুরকপা মতমদা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদে। মচিন মনাও ৬কী মনুংদা মহাক্না ইতোন তোনবনি। মহাক্কী ময়াম্বা অমসুং মমানা কৈথেলদা এঞ্জাং-নাপি য়োনবা, থবক শূবা অদুনা য়ুমগী অৱাৎপা মেনবা ঙম্লক্তবনা মহাক ক্লাস টেন কারকপা অদুৱাইদগী কেদোগী মখাদা অফং-অফংবা থবক শূরকখি। মরুওইনা ইমা ইবেলগী পোৎ চৈ শংবা, পোৎ চৈ হোনবা, আইস-ক্রিম য়োনবা, য়েরুম য়োনবনচিংবা তৌই। অদুবু বন্দ লৈরকপা মতমদদি অৱাবা কয়া মায়োক্নে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ইবোমচানা ক্লাস এলেভেন কারকপা অদুৱাইদগী মহাক ওজা এলাংবম ইনাও অমসুং শুশিলা অনীগী মখাদা শান্নবা হৌরকখি। ময়াম্না শান্নবদগী মহাক্না পুঙ্খায় অমা চোন্থনা শান্নরকই। ওজানসু মঙোন্দা মতম পুম্নমক্তা মতেং পাংবি। ঐহাক্না হৌজিক গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লিবা অসি মীয়ামগী মতেংননি। মতুং তারকপদা ঐহাক্না ইমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্কনি হায়বগী মীয়াম্না থম্বীরিবা থাজবা অদুসু মাঙহন্দনবা হোৎনজগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

নীংশিংবা য়াবদি চেম্পিয়নশিপ অদুগী সব জুনিয়র ইক্বিপ ইভেন্টকী কেজি ৫২দা ইবোমচানা পূন্না কেজি ১১৭.৫ থাঙ্গৎতুনা গেল্ডে মেদল লৌরকখিবনি। মহাক্না গোল্ড মেদল ফংলকপদা কেদো অমদি কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিংগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হরাও তরাম্না ওকপীদুনা মতুং তারকপা চেম্পিয়নশিপ কয়াদসু মায় পাক্নবা থৌজাল কয়া পীবিখিবসু লৈখ্রে।

# এম য়ু (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএনএস): এম জে পি রোহিখান্দা পাঙথোক্কদবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি সেপাক তাক্রো মেন্স এন্দ ৱিমেন্স টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিমেন্স কেটেগোরিগী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৬তগী ১৯ ফাওবা চত্থগনি অদুগা মেন্স কেটেগোরিগীনা ফেব্রুৱারী ১৭তগী ১৯ ফাওবা চত্থগনি।

মেন্স কেটেগোরিদা শরুক য়ানবা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি বিরমঙ্গল কোলেজতগী ঈ বিকাস, ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ সাইন্সতগী মেদার মরিং, কে কে থৌবালদগী টি ঐচ রোবার্ট, লিবরেল কোলেজতগী হেপিসন টি, কুম্বী কোলেজতগী দীপক ও, মাঙ্গোলঙানবী কোলেজতগী এম রিসিকান্ত, মণিপুর কোলেজতগী জাভেদ পুয়াম, ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ আর্টসতগী পি রনকিশোরনি। রিজার্ভতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী টি ঐচ ইশ্বরচন্দ্র খনখ্রে।

ৱিমেন্স কেটেগোরিদা কে কে কোলেজতগী শিলপা এলাংবম, পি এস কোলেজতগী ঈ সনাতোম্বী, কে কে কোলেজতগী এম সন্ধ্যারানি, বিরমঙ্গল কোলেজতগী ঐচ দাইনানি। খল্লবা শান্নরোয়শিংনা নবেম্বর ২গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

# ৱুশুগী ত্রায়ল

ইম্ফাল,ওক্টোবর২৮ (ঐচএনএস): নবেম্বর ২৫দগী ৩০ ফাওবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকটাদা পাঙথোক্কদবা ১৯শুবা সব জুনিয়র ৱুশু নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী টিম খন্ননবগীদমক নবেম্বর ৩ অমসুং ৪দা ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না ৱুশু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ৱুশু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মখাদা এফিলিএট তৌরবা দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি অমসুং প্রসিদেন্টশিং লোয়ননা কোচ অমদি টেক্নিকেল ওফিসল য়াওনা শান্নরোয়শিংনা খুমন লম্পাক্কী আর সী সী হোলদা অয়ূক্কীপুং ৭ তা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর২৮ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা লৈবা হোকি য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী মমাঙদা নেসনল হোকি প্লেয়র অমা ওইরম্বদা নত্তনা ক্লব অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী হীরম খুদিংমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ৱারিবম বিনোদকুমারনা চৎলিবা থা অসিগী ২৬তা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অদুদা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ঙসি ক্লব অসিগী শঙলেন্দা হোকি য়ুনিয়নগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং য়াওনা অতোপ্পা মেম্বরশিংগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা ৱারিবম বিনোদকুমারবু ইকায়খুম্নবা ওইনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

# ফোলেন মীতৈ মেমোরিএল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল,ওক্টোবর২৮(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিএসন্না শীন্দুনা নবেম্বর ৬তগী ১০ ফাওবা অহানবা অহোংশাংবম ফোলেন মীতৈ মেমোরিএল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট নাওরেমথোং উরিপোক কাংচুপ রোদতা লৈবা য়ূম্নাম কেসোসিংহ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা ৩০,০০০ অমসুং ত্রোফি, অনীশুবা পোজিসন্দা লুপা ২০,০০০ অমসুং ত্রোফি, অহুমশুবা পোজিসন্দা লুপা ১৫,০০০ অমসুং ত্রোফি, মরিশুবা পোজিসন্দা লুপা ১০,০০০ অমসুং মেদল, ৫শুবা পোজিসন্দা লুপা ৮,০০০ অমসুং মেদল, ৬শুবা পোজিসন্দা লুপা ৬০০০ অমসুং মেদল, ৭শুবা পোজিসন্দা লুপা ৫০০০ অমসুং মেদল, ৮শুবা পোজিসন্দা লুপা ৪০০০ অমসুং মেদল, ৯শুবা পোজিসন্দা লুপা ৩০০০ অমসুং মেদল অমদি ১০শুবা পোজিসন্দা লুপা ২০০০ অমসুং মেদল পীগনি। ১১দগী ১৫শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা শেলগী মনা ১৫০০ অমসুং ১৬শুবা পোজিসন্দগী ২০শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিংগীনা শেলগী মনা ১০০০ লৈগনি। চহী ১৫ মখাদা লৈবা শান্নরোয়শিংগী ওইনা এন্ত্রি ফী লুপা ৩০০ ওইগনি। চহী ১৫ মথক্কী শান্নরোয়গী এন্ত্রি ফীনা লুপা ৫০০ ওইগনি। বেষ্ট ভেটরান শান্নরোয়গী ওইনা অহানবা পোজিসন্দা লুপা ৩০০০ অমসুং অনীশুবা পোজিসন্দা লুপা ২০০০ ওইগনি। বেষ্ট ৱিমেন প্লেয়রগী অহানবা পোজিসন্দনা লুপা ৩০০০ অমসুং অনীশুবা পোজিসন্দনা লুপা ২০০০ লৈগনি হায়রি।













# INDIAN SUPER LEAGUE 2019-2020
## SCHEDULE, FIXTURES

| Date, Time & Venue | Match | | |
|---|---|---|---|
| Oct 29 2019, Tue - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Hyderabad |
| Oct 30 2019, Wed - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | ATK |
| Oct 31 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Odisha |
| Nov 1 2019, Fri - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Goa |
| Nov 2 2019, Sat - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Kerala Blasters |
| Nov 3 2019, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Bengaluru |
| Nov 6 2019, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | NorthEast United |
| Nov 7 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Goa |
| Nov 8 2019, Fri - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Odisha |
| Nov 9 2019, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Jamshedpur FC |
| Nov 10 2019, Sun - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Chennaiyin FC |
| Nov 23 2019, Sat - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Kerala Blasters |
| Nov 24 2019, Sun - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | ATK |
| Nov 25 2019, Mon - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin | Vs | Hyderabad |
| Nov 26 2019, Tue - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Jamshedpur FC |
| Nov 27 2019, Wed - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Mumbai City |
| Nov 28 2019, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Odisha |
| Nov 29 2019, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Bengaluru |
| Nov 30 2019, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Mumbai City |
| Dec 1 2019, Sun - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Goa |
| Dec 2 2019, Mon - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur | Vs | NorthEast United |
| Dec 4 2019, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Bengaluru |
| Dec 5 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Kerala Blasters |
| Dec 6 2019, Fri - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Chennaiyin FC |
| Dec 7 2019, Sat - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | ATK |
| Dec 8 2019, Sun - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Goa |
| Dec 11 2019, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Hyderabad |
| Dec 12 2019, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Chennaiyin FC |
| Dec 13 2019, Fri - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Jamshedpur FC |
| Dec 14 2019, Sat - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | ATK |
| Dec 15 2019, Sun - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Mumbai City |
| Dec 18 2019, Wed - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Bengaluru |
| Dec 19 2019, Thu - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Mumbai City |
| Dec 20 2019, Fri - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Kerala Blasters |
| Dec 21 2019, Sat - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | ATK |
| Dec 22 2019, Sun - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Odisha |
| Dec 25 2019, Wed - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Bengaluru |
| Dec 26 2019, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Goa |
| Dec 27 2019, Fri - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Jamshedpur FC |
| Dec 28 2019, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | NorthEast United |
| Dec 29 2019, Sun - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Hyderabad |
| Jan 2 2020, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 3 2020, Fri - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Goa |
| Jan 4 2020, Sat - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | ATK |
| Jan 5 2020, Sun - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Hyderabad |
| Jan 6 2020, Mon - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Chennaiyin FC |
| Jan 8 2020, Wed - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | NorthEast United |
| Jan 9 2020, Thu - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 10 2020, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Chennaiyin FC |
| Jan 11 2020, Sat - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Mumbai City |
| Jan 12 2020, Sun - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 15 2020, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Odisha |
| Jan 16 2020, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | NorthEast United |
| Jan 17 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Bengaluru |
| Jan 18 2020, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Goa |
| Jan 19 2020, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 22 2020, Wed - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Odisha |
| Jan 23 2020, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 24 2020, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Mumbai City |
| Jan 25 2020, Sat - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 27 2020, Mon - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | NorthEast United |
| Jan 29 2020, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Goa |
| Jan 30 2020, Thu - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Hyderabad |
| Jan 31 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | NorthEast United |
| Feb 1 2020, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 2 2020, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | ATK |
| Feb 5 2020, Wed - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Hyderabad |
| Feb 6 2020, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Jamshedpur FC |
| Feb 7 2020, Fri - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Bengaluru |
| Feb 8 2020, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Odisha |
| Feb 9 2020, Sun - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Kerala Blasters |
| Feb 12 2020, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Jamshedpur FC |
| Feb 13 2020, Thu - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Mumbai City |
| Feb 14 2020, Fri - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | NorthEast United |
| Feb 15 2020, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Bengaluru |
| Feb 16 2020, Sun - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 19 2020, Wed - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Goa |
| Feb 20 2020, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Hyderabad |
| Feb 21 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 22 2020, Sat - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | ATK |
| Feb 23 2020, Sun - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Kerala Blasters |








HL-B/5751/19,20,21...
HL-P/5005/18-31/1-20 nov.
HL-B/55645/3-31oct.
HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.
HL-B/5661/11sept-8Nov.(alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com